ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ HUEIYEN LANPAO

# ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দগী মখূৎতা ১-০ দা লৈবাক তরুক্কী টুর্নামেন্টতা মায়থীখ্রে



ভেলেন্সিয়া, জুলাই ০১ :

ন্যুজিলেন্দনা মফম অসিদা চথুরিবা সিক্স নেসন্স ইনভিটেসনেল হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়াবু ১-০ দা মায়থীবা পীরমখ্রে।

ন্যুজিলেন্দগী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা ষ্টেফেন জেনেসনা চন্দুনা ইন্দিয়াবু নমহৎলমখি। জেনেসনা অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী গোল কিপরবু অপংবা শিরন্নগা গোল চনশিনখিদুনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

ইন্দিয়ানা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং মাঙহনখিদুনা মেচ অদু ন্যুজিলেন্দদা শিন্নখি। ন্যুজিলেন্দনা মখোয়গী ওপোনেন্টপু মখোয়গী দিফেন্স ফাওনা চঙহনখিদে।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীরকশুবা ওইনা মায়থীবা নংখি। অহানবনা জর্মনিগা শান্নখিবা মেচতা জর্মনিনা ইন্দিয়াবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখিবনি। ইন্দিয়ানা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট অহুম খক্তমক ফংদুনা চৎলি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফংখিবা অহানবা মেচতা মায়থীখ্রবা মতুং থা অসিগী ২৯ দা মফম অসিদা শান্নখিবা সিক্স নেসন হোকি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেচতা থাক নেম্না লৈরিবা আইরলেন্দবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অশা চাউনা চঙশিনখবনি।

হৌজিক ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট জর্মনিনা মফম অসিদা চথুরিবা সিক্স নেসন্স হোকি টুর্নামেন্টকী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং মেচতা ইন্দিয়াবু ৪-০ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

ইন্দিয়ানা আইরলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ অদুদা ফোরৱার্দ টালৱিন্দর সিংহ অমদি স্কিপর সর্দার সিংহনা মথংশিৎনা মেচকী মিনিট ২২ অমসুং ৩২ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা আইরলেন্দগী মিদ ফিল্দর কেলি গুদনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা সোলিটরি গোল অদু চন্দুনা ১-২ দা ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অহানবা ক্বার্টরদা আইরলেন্দনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মখোয়গী মিদ ফিল্দর কেলি গুদনা মেচকী অহানবা স্কোর ওইনা মিনিট ৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা ইন্দিয়ানা ঙরাংগী মেচ অদুদা মায়োক্নখিবা টিম অমত্তনা গোল চনবা ঙমদনবা অকনবা দিফেন্স তৌদুনা শান্নখি। ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা আইরলেন্দগী মায়কৈদা মেচকী মিনিট ২২ দা চঙশিনখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদগী মদুবু ফোরৱার্দ টালৱিন্দরনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা স্কিপর সর্দার সিংহনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকখি। ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্নদুনা থাংজ নুমিৎতা শান্নগনি।

# মণিপুরগী শামীরমোন অমদি কর্ণাটাকাগী রীনানা মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




হায়দ্রবাদ, জুলাই ০১ :

মণিপুরগী শামীরমোন অমদি কর্ণাটাকাগী রীনা জোর্জনা মফম অসিদা চথুরিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স মীটকী শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপা অমদি নুপীগী মিটর ১০০ গী ইভেন্টতা গোল মেদল অমমম ফংখ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবা রীনানা অহানবা ওইনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা শরুক য়াদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা ১১.৯৯ সেকেন্দদা য়াওনা চেন্দুনা মায় পাকখি।

রীনানা হায়খি, ঐনা অহানবা ওইনা সেনিয়র নেসনলদা শরুক য়াদুনা এটেম্প তৌখিবদা মায় পাকখিবা অসিদা য়াম্না নুঙাইবা পোকই হায়খি।

আর্মিদা সুবেদার ওইরিবা মণিপুরগী শামীরমোননা চহী অহুমগী গেপ অমা লৈরুরবা মতুংদা সেনিয়র নেসনলগী ফাইনেলদা চঙখিদুনা নীংশিংনিঙাই ওইনা ১০.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা অসিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা হায়খি, মহাক্না ফাইনেল চঙগনি হায়না থাজবা লৈখি। অদুবু নোং চুখিবনা, টাইমিং অদু হেন্না ফগৎলম্বা য়াবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নুপীগী পোল ভোলটতা য়ু এসতা ট্রেন তৌরুরবা খয়াথি এস ভখারিয়ানা মিটর ৩.৮০ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মণিপুরগী শামীরমোননা ১০.৬০ সেকেন্দদা চেন্দুনা অহানবা, টি এসকী এম দি অবদুল নজিব কুরেশিনা ১০.৬৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি মহারাষ্ট্রগী অনিরুধা গুজরনা ১০.৬৬ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ১১০ গী হরদলসতা কেরলাগী দি শ্রীকান্টনা ১৪.৫৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, টি এসকী কে প্রেমকুমারনা ১৪.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি কেরলাগী আর অক্সয়না ১৫.২৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

কিলোমিটর ২০ গী ৱক্কতা গুজরাটকী বাভুবাই পানোচানা ১:৩১:২৬.০০ সেকেন্দ চৎতুনা অহানবা, গুজরাটকী সাগর জোশিনা ১:৩১:৩০.০০ সেকেন্দ চৎতুনা অনীশুবা অমদি মণিপুরগী গৌরভ কুমারনা ১:৩১:৩৯.০০ সেকেন্দ চৎতুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা কর্ণাটাকাগী রীনা জোজনা ১১.৯৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, টামিল নাদুগী অর্চানানা ১২.১৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি মহারাষ্ট্রাগী রুচা পটিলনা ১২.৩০ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

ট্রিপল জম্পতা কেরলাগী শিলপা চাকোনা মিটর ১৩.২২ চোংদুনা অহানবা, গুজরাটকী জেনিমোল জয়না ১২.৯৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি টামিল নাদুগী কার্থিকানা ১২.৭৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

পোল ভোলটতা কর্ণাটাকাগী খয়াথি এস ভাখারিয়ানা মিটর ৩.৮০ চোংদুনা অহানবা, পঞ্জাবকী কিরনবির কৌরনা মিটর ৩.৪০ চোংদুনা অনীশুবা অমদি এস সিঞ্জু প্রকাশনা মিটর ৩.৪০ চোংদুনা অহুমশুবা তাখি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন্না শিন্দুনা মথং চহীদগী নেসনল অন্দর-১৩ লীগ পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ :

ফুটবোলবু লৈবাক অসিদা গ্রাসরুটস লেভেলদগী মশক থোক্লা চাউখৎহন্নবা পান্দমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না মথং চহীদগী অন্দর-১৩ নেসনল লীগ পাঙথোকপা হৌরগনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা হায়খি, এ আই এফ এফনা অঙাংশিংদা ফুটবোলবু পাম্না শান্নহন্নবগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। কুমজা ২০১৭ অসি অন্দর-১৩ লীগ হৌদোক্লবগী খ্বাইদগী ফরবা কেলেন্দর ইয়র অমনি মরমদি চহী অসিদা ইন্দিয়ানা য়ুম্লু ওইদুনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কনি হায়না হায়খি।

অন্দর-১৯ আই-লীগ অমদি অন্দর-১৫ লীগ মায় পাক্লা চঙশিনখ্রবা মতুং মথংগী খোঙথাংদা অন্দর-১৩ লীগ অসি পাঙথোক্লবা লৌখৎলকপনি। মসিনা গ্রাসরুটতা হেন্না নকশিন্না চৎমিন্নবা ঙম্লগনি হায়না দাসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অন্দর-১৩ লীগতা করম্বা টিমনা শরুক য়াগনি হায়না হংখিবা অমদা দাসনা হায়খি, অন্দর-১৩ লীগ অসিদা আই-লীগ অমদি ইন্দিয়ন সুপুর লীগকী ক্লবশিংগা লোয়ননা এ আই এফ এফকী সার্টিফাইদ একাদেমীশিংনা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দিরেক্টর স্কোট ওদোন্নেল্লনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অন্দর-১৩ লীগ অসি অচুম্বা মায়কৈদা চঙশিনবা অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়খি।

প্লেয়রশিংগী দিভলপমেন্ট পুরকপদা কম্পিটিটিব ফুটবোল শান্নবনা অচৌবা রোল অমা লৌরি। এজ গ্রুপকী ওইবা স্কুল টুর্নামেন্ট খরা পাঙথোক্লি অমদি মখোয় অয়াম্বা নোক-আউট ওইরি। অঙাংশিং মখোয়গী টিমনা মায়থীরবদি মখোয় অদুমক ফুটবোলদগী লাপথোকখ্রে। মসি থোক্তনবা ফেদরেসন্না অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না মহাক্না হায়খি।

অন্দর-১৩ লীগ অসিদা প্লেয়রশিংনা মশিং য়াম্লবা গেমশিং শান্নবা ফংলগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। এ আই এফ এফনা হৌজিক একাদেমী সার্টিফিকেসন সিষ্টেম অমা চৎনহন্নবগী থবক পায়খৎলি। মসিনা একাদেমীশিংবু অচুম্বা ফিলোজোফিরোমদা চঙশিল্লক্তুনা খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

চৈরক অসিদা এ আই এফ এফনা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা হৈথোইশিংথোইরবশিং মশক খঙদোক্লবা পান্দমদা এদভান্স গ্রাসরুটস ফোর্স অমা শিন্দুনা পাঙথোক্লি হায়রি।

# পাকিষ্টানগী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা এথলেটশিংদগী ওফিসিএলনা হেন্না য়াম্লি



করাচি, জুলাই ০১ :

লাক্লিবা সম্মর ওলেম্পিক গেমসতা পাকিষ্টানগী স্পোর্টসতা অহোংবা অমা ওইনা লৈবাক অসিগী কন্টিনজেন্টতা এথলেটতগী ওফিসিএলশিংনা হেন্না মশীং য়াম্না শরুক য়াগদৌরি।

লৈবাক অসিগী নেসনল হোকি টিমনা রিও ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবা মতুং ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়ানবগীদমক এথলেট ১৮গী কন্টিনজেন্ট অমা খনগৎখি। হায়রিবা কন্টিনজেন্ট অদুদা এথলেট তরেৎ অমদি ওফিসিএল ১১ য়াওরি।

এথলেটশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি স্বিম্মরদা লিয়ানা স্বান অমদি হরিস বান্দেনি। মখোয় ত্রেনিংগীদমক মপান লমদা লৈরি। জুদোকাদা সহা হুসেননি। মহাক হৌজিক টোকিওদা লৈরি।

শুটর গুলাম মুষ্টাফা অমদি মিনহাল সোহেল য়াওনা স্প্রিন্টর অনী অমসু টিমদা য়াওরি। পাকিষ্টানগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেট খুদিংমক ৱাইল্ড কার্দকী খুথাংদা এন্ত্রিশিং ফংখিবনি।

পাকিষ্টানগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা এথলেট অমত্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। ওলেম্পিক্সকীদমক লৈবাক অসিগী ওইনা বোক্সর অমা ফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। অদুমকপু কুমজা ১৯৮৮ দা পাকিষ্টানগী ওইনা হোকি মশান্না নত্তবা অতোপ্পা মশান্না অনীদা মেদল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা মেদল অদুগী মনুংদা হুসেন শাহনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। অদুগা জুদোকা শাহ হুসেননা অতোপ্পা মেদল ফংখিবা পুজিলিষ্ট অমগী মচানি।

পাকিষ্টান ওলেম্পিক এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট অরিব হসন্না পাকিষ্টান স্পোর্টস বোর্দনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস পার্সন অমত্তা মশক থোক্লা পুথোকপা ঙমদবদা শাউনিংবা মতৌ উৎখি। হসননা পাকিষ্টানগী হোকি টিমনা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবদা পেন্দবসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা হোকি মশান্নদা ক্বালিফাই ওইগনি হায়না ময়াম্না থাজনরম্বনি অদুবু ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা তোকখি।

অরিব হসননা হায়খি, হোকি মশান্না অসি ঐখোয়গী নেসনল স্পোর্টসনি। ঐখোয়গী নেসনল স্পোর্টস অমা ওইবা মরম্না মতম পূম্নমক্তা ওলেম্পিক্তা ঐখোয়না মায় পাক্তুনা মেদলশিং লৌগনি হায়বগী চাউরবা অশা লৈখি। অদুবু হৌজিক্তি মসিগী ৱাখল্লোন অসি হৌখ্রে।

পনবা য়াই, মালেমগী স্পোর্টস মশান্নশিংগী মনুংদা হোকি হায়বা মশান্না অসিদা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অনীনা লম্বা তৌনবা মতমদা মালেমগী মীয়াম্না পেন্না য়েংনখিবনি।

হোকিদা নত্তনা ক্রিকেট মশান্নদসু ইন্দিয়া পাকিষ্টান অনীনা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ওইরবদি অয়েংবা মীয়াম্না মেচ অদু লেম্না মাঙহনবা তৌদনা য়েংননবগীদমক ঙাইদুনা লৈনখি। অদুবু হন্দক্কী ওলেম্পিক্স অসিদা পাকিষ্টান হোকিনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ন হোকিদি ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াগনি। করিগুম্বা পাকিষ্টান্না ক্বালিফাই ওইরম্লবদি ইন্দিয়াগা শান্নগদবা মেচ অদু খ্বাইদগী নুংঙাইবা মেচ অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।

# 'ইন্দিয়াগী হোকি টিম্না রিওদা মেদল অমদি শোইদনা লৌগনি'



টোরান্টেশ, জুলাই ০১ :

চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও দি জানৈরো ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমনা মেদল অমদি শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়না কুমজা ১৯৭৫ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ হোকিদা ইন্দিয়াগী টিমগী গোল কিপর ওইনা শরুক য়াখিবা ওলেম্পিক ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।

ওলেম্পিক ফর্নান্দেজনা হায়খি, ইন্দিয়ন হোকি টিমনা মমাঙদা লৈরম্বা মিংচৎ অদু অমুক হন্না পুরক্লবগী লম্বীদা য়াঙনা চঙশিল্লি। হন্দক্তা লন্দনদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমদুনা ট্রোফিগীদমক হিদান্নবা ঙমখিবা, মদু তান চান্নরুবদগী ওইখিবা নত্তে। তশেংনা ইন্দিয়াগী হান্না লৈরম্বা মতিং অদু নৌহৌননা হল্লকপা হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন হোকি টিমনা শান্নবা অদু হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদগী য়াম্না কুপ্না য়েংদুনা লাক্লি অমদি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা মখোয়গী অরৈবা মপাঙ্গল-মথৌনা ফুদোক্তুনা শান্নখিদ্রবসু মখোয়না হান্না থৌরাং তৌদুনা থল্লবা নিয়ম অমগী মখাদা শান্নখি। মসিমক্না ইন্দিয়ান হোকিনা অমুক হন্না মালেমগী মকোক্তা হল্লক্লবগী নিয়ম অদু ফংলক্লে হায়না লৌবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওলেম্পিক ফর্নান্দেজনা হায়, ইন্দিয়ন হোকি রোটেটিং হোকিদা মায় ওনশিন্দুনা অচুম্বা নিয়ম-নিতি অদু ফংবা ঙম্লে। মসিগীদমক কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্সপু থাগৎতবা য়ারোই। কোচ অসিগী মখাদা ইন্দিয়ানা রোটেটিং হোকি নৎত্রগা পোজেসন হোকিদা মশক খঙনা শান্নবা হৌরক্লে। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয় খুদিংমক্না পোজিসন অমা হেক্তদা শান্নবা ঙম্লে হায়বদু তাক্লে অমদি মসি ইন্দিয়াগী হোকি মশান্নদা য়াম্না চাউনা অহোংবা পুরক্লে হায়বা য়ারে।

ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টাননা এষ্ট্রোটর্ফতা চুশিন্ননা শান্নবা ঙমখিদবা অদুনা সব-কন্টিনেন্ট অসিদা হোকি লৈখা তারকপগী চাউরবা মরম অমা ওইখ্রবসু হৌজিক্তি ইন্দিয়নশিংনা রোটেটিং হোকিদা নত্তনা পৱার হোকিসু শান্নবা ঙম্লে। এষ্ট্রোর্টফ হৌদোরকপা মতমদা য়ুরোপিয়ন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংগা মায়োক্নবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টাননা মালেমগী মকোক থোংবা মফমদগী কুমথরকখি। নাপীগী লৈমায়দা ইন্দিয়নশিংনা স্কিল হোকি শান্নরমই। মদুনা মশল পৱারগী মথৌ তাখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা শান্নরিবা মওং অসি য়েংলুরগদি রিও ওলেম্পিক্সতা মখোয়না মেদল অমদি শোয়দনা লৌরক্কনি হায়বা ৱাফম মহাক্না মখা তানা থমখি।

# গুরপ্রিটনা য়ুরোপা লীগতা শান্নবা অহানবা ইন্দিয়ন প্লেয়র ওইরে




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০১ :

ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সন্ধুনা নোর্ৱেজিয়ন ক্লব ষ্টাবেক এফ সিগী স্কাদতা য়াওদুনা অহানবা ওইনা য়ুরোপা লীগ ক্বালিফায়িং মেচতা ৱেলস প্রেমিয়র লীগ সাইদকী কোনাস ক্বে নোমাক্স এফ সিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগদবা মেচতা শরুক য়ারগনি।

গুরপ্রিটনা কম্পিটিশন অসিদা শরুক য়াগদবনা য়ুরোপিয়ন লীগতা য়াওবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা প্লেয়র ওইবসু ঙম্লগনি।

মমাঙগী ইষ্ট বেঙ্গলগী গোলকিপর অসিনা হৌখিবা সিজন্দা নোর্ৱেজিয়ন কপ কম্পিটিশনগী য়াম্লবা মেচশিং শান্নখি। অমদি চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদগী লীগ গেমসসু শান্নবা হৌখি।

সন্ধুগী মমাঙদা মহম্মেদ সালিম, বৈচুং ভুটিয়া, সুনিল ছেত্রি অমদি সুবত্র পাওলনা য়ুরোপিয়ন সাইদতা য়াওদুনা শান্নখ্রে। অদুবু টোপ দিভিজন গেম নৎত্রগা কন্টিনেন্টেল কম্পিটিশন্দা অমুক্তা শরুক য়াবদি ঙমখিদে। সন্ধুনা কুমজা ২০১৪ দা নোর্ৱেগী সাইদতা য়াওখি অমদি মহাকপু হৌখিবা চহী অমগা মখায়গী সিজন অদুদা মখোয়গী অনীশুবা গোলকিপর ওইনা খনগৎতুনা শরুক য়ারকখিবনি।

# বোল্টনা জমাইকান ওলেম্পিক ট্রাইএলগী সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে, মহাক্না গোল্ড মেদল ৩ লৌনবা মিৎয়েং থল্লি




কিংষ্টন, জুলাই ০১ :

উসেন বোল্টনা মফম অসিগীকিংষ্টন নেসনল ষ্টেদিয়মদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জমাইকান ওলেম্পিক ট্রাইএলগী নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা য়াম্না লায়না মায় পাকখিদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমদি মিটর ৪X১০০ কী রিলেদা গোল্ড মেদল অহুম লৌননবা পান্দম থল্লিবা বোল্টনা ঙরাং চেনখিবা মিটর ১০০ গী লমজেলগী সেকেন্দ রাউন্দগী হিটতা ১০.১৫ সেকেন্দ চেন্দুনা মায় পাকখি।

নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মমাঙগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোলদর অসফা পৱেলনা ১০.১৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি। অদুগা জেৱাঘন মিঞ্জিনা ১০.১৫ সেকেন্দ অমদি সঞ্জয়-জয় দিবাঙনা ১০.১৬ চেন্দুনা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিশন তাখি।

অমরোমদা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতা জমাইকাগী ষ্টার উসেন বোল্টনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌদুনা মহাক্কী মায়োক্তা শিংনরকপা কনাগুম্বা অমত্তা লৈহল্লোইদদৌরি।

অমেরিকাগী স্প্রিন্টর জষ্টিন গাটলিননা রিও ওলেম্পিক্সতা মতম চুপ্পগী ওইনা মহাক্কী অকনবা লম্বা ওইদুনা লাক্লিবা জমাইকাগী উসেন বোল্টপু মায়থীবা পীদুনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌনবা অচেৎপা পান্দম থমদুনা লাক্লি। মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা বৈজিংগী নেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা উসেন বোল্টনা চিলাউনা মকোক থোংবা মফম কনখিবদগী গাটলিননা মথৱায় চাক্না লৈহৌখিবনি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা ওগষ্ট ১৪ গী রিওদা বোল্টনা লম্বা তৌনদুনা মহাক অমুক হন্না মায়থীরোই হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লিবনি।

গাটলিননা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক্না রিওদা শোয়দনা মায় পাক্কনি অমদি ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌগনি। মেদল অদু লোস এঞ্জেলস অমদি ন্যুয়োর্কতা পুরক্তুনা মহাক্কী মঙকশমদা লীক ওইনা শিন্দুনা য়ু এসকী মফম শিনবা থুংনা টুর তৌগনি হায়খিবনি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা গাটলিননা মিটর ১০০,২০০ অমদি ৪X১০০ গী ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন উসেন বোল্টকী মিৎয়েং নীংশিন্নবা হোৎনরিবনি।

উসেন বোল্টনা হায়, লমজেল অমা চেনগদবা মমাঙদা মহাক্না কৈদৌঙেদো মীয়ামগী ৱা অদু মহাক্কী নাকোংদা চঙহনে দ অমদি অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা লমজেল অদু চেল্লি। অদুবু করিগুম্বা হকচাং ফিট ওইরবদি রিও ওলেম্পিক্সতা মহাকপু নমথবা হায়বসি অৱাবা অমা ওইগনি হায়খি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা বোল্টনা মশা ফিট ওইনা লৈরি। মহাক্না ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল অহুম (মিটর ১০০, ২০০ অমদি ৪X১০০) অমগা অমুক লৌনবা মিৎয়েং থল্লদুনা মহাক হৌজিকসু হান্নদগী হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈবগা লোয়ননা রিওগী মিটর ২০০ দা মহাক্না সেকেন্দ ১৯ গী মখাদা চেনবা পাম্লি হায়না ফোঙদোকখি।